## অহুম তান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১(ঐচএনএস): কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস ১২ কী এগজামদা মোবাইল ফোন শিজিন্নরম্বা অমসুং মহুৎ শিল্লম্বগীদমক কেন্দ্রিদেট অহুম তান্থোক্লে হায়না কাউন্সিলগী সেক্রেটরি সী ঐচ বিরেন্নো থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। কুম্বী কোলেজতা তাবা মহৈরোয় অমা মোবাইল ফোন শিজিন্নরম্বগীদমক তান্থোকখি। মোরে গবর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং শমুরৌগী লিটল মাষ্টর ইংলিস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদনা মহুৎ শিল্লগা এগজাম থারম্বা মীওই অনি তান্থোকখি হায়রি।

## উরেপ উয়ুং তমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১(ঐচএনএস): ওইনাম এ সীগী মনুংদা লৈবা ঙাইখোং খুল্লেন মনিং লৈকাইদা নৌনা শাগদবা কম্যুনিটি হোল অমা এ সী অসিগী এম এল এ অমদি মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন লাইশ্রম রাধাকিশোরনা ঙসি হৌনবি মতুং ইন্না উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী লুপা লাখ ২৫ চঙনা নৌনা শাগদবা কম্যুনিটি হোল অসিগী উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুদা ঙাইখোং জি পিগী প্রধান এম বালা অমদি লমদম অদুগী অহল কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রাধাকিশোরনা ফোঙদোকখিবদা, দিপার্টমেন্ট কয়ানা পায়খৎপা থবক থৌরমদা য়াওদবা মীয়ামগী অৱাৎ অপা খুদিংমক পায়খৎনবা এম এল এ খুদিংগী চহীগী ওইনা এম এল এ এল এ দি এফ হায়না লুপা ক্রোর ২/২ পীবগী শেনফম অসিগী মনুংদা হায়রিবা লৈকাই অসিদা মীয়াম্না মতম কুইনদগী ৱাত্তুন লৈরিবা কম্যুনিটি হোল অমা শানবা থৌরাং তৌবনি। চহী অসিগী দিসেম্বর ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা শাবা লোইশিনদুনা লৈকাই মীয়ামদা খুৎশিন্নবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## সী বি এস ইনা লৌবা ক্লাস ১০ গী এগজাম হৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১(ঐচএনএস): সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ই) না লৌবা ক্লাস ১০ গী একজাম মহৈরোয় লাখ ১৮.১৯ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌখ্রে। ফেব্রুৱারী ২৭ ফাওবা ভোকেসনেল পেপরশিংগী এগজাম পাঙথোক্লবা মতুংদা মার্চ৩ দগী মার্চ২৯ ফাওবা মেন পেপরশিংগী এগজাম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## GAS NEWS

**ATHOKPAM INDANE SERVICE WANGJING & KHONGJOM**
Booking Upto:28/12/2018
Valid From:17/12/2018
***Stk :612 (CTC)***
Timing:07.30am to 10.00am

**HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE**
Booking Upto:14/01/2019
Valid From:11/01/2019
***Stk :612 Aadhaar Link Consumers Only***

**JEMON GAS SERVICE, SINGJAMEI CHINGAMATHAK SI No. Upto - 36670**
Booking Upto:20/11/2018
Valid From:16/11/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 09.30am

**KHORIPHABA GAS, NAMBOL SL. NO. 17371 - 17685**
Booking Upto:21/01/2019
Valid From:17/01/2019
Timing:07.00am to 09.30am

**KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG**
Booking Upto:23/12/2018
Valid From:18/12/2018
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto:16/12/2018
Valid From:05/12/2018
***Stk :612***
Timing:08.00am to 11.00am

**MAIBIA GAS MOIRANG SL. NO. 7781 - 8770**
Booking Upto:22/12/2018
Valid From:19/12/2018
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto:01/02/2019
Valid From:31/01/2019
***Stk :306 (CTC & DNSC)***
Timing:10.00am to 01.00pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:18/01/2019
Valid From:27/12/2018
***Stk :612***
Timing:07.30am to 10.00am

**RBD INDANE SERVICE**
Booking Upto:10/01/2019
Valid From:26/12/2018
***Stk :612 (Only CTC)***
Timing:07.00am to 11.00am

**SAWOMBUNG INDANE**
Booking Upto:12/01/2019
Valid From:02/01/2019
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.00am

# ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দেগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১(ঐচএনএস): মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরগী মফম কয়াদসু ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দেগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

লোল কনবা হায়বসি ঙাংলিবা ফুরুপ অদুনা কনবা ঙমগদবনি, কনানসু ঐখোয়গী লোলবু কনবীরোই, ঐখোয়না লোল কনসি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লিঙ্গুইষ্টিক দিপার্টমেন্টকী প্রো. ডা. এন প্রমোদিনীনা ফোঙদোকখ্রে।

দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দেগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা প্রো. এন প্রমোদিনীনা হায়খি, লোলগা মরী লৈনবা থৌদোক অমদা মহৈরোয় মরি পুলিসনা ফাবদা পূন্সি লোমখিবগা মরী লৈননা মহৈরোয় মরি অসিবু ইকায় খুম্নদুনা ফেব্রুৱারী ২১ অসি লোলগী নুমিৎ লৌখিবনি। ইন্দিজিনস লেংগ্বেজ হায়বসি য়াম্না মরু ওই। লোলশিং নোংম-নোংমগী শিথরক্লি। মালেমগী ওইনা লোল ৭,০০০ লোম লৈ হায়নৈ। লোলশিং অসি চাদা ৯০ দি মুৎপা য়াবগী মওংদা লৈরি হায়না পানরি। চাদা ৯০ মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লাক্লিবসি গ্লোবেলাইজেসননি হায়না পারি। লোল কন্নবা হোৎনবদা লোল ঙাংবশিং অমদি লৈঙাক্কী থৌদাং য়াম্না চাওই। ইশানা লোল ঙাংদ্রবদি শিথরকপা তাবনি। লোল মাঙশিল্লকপা অসি খূদক্তা নত্তে। তপ্না-তপ্না থৌওইদবদগী লোল মুৎশিল্লকপনি। হৌজিক্কী মতমদা মমা-মপা লাইরিক হৈবনা মচাশিং মমালোল ঙাংহন্দনা ইংলিশতা ঙাংহনবা য়াওরি। মসি ঐখোয়গী লোল হাৎতোকচবনি। মমালোল ঙাংবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি হায়না খনবা চঙই। ঐখোয়গী লোল মীরাইরোইদবনি। লোল ময়াম খঙবা হায়বসি লননি। অদুবু ইশাগী লোল কন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা থৌরম মপূ ওইখিবা দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ এন্দ প্লান্নিংগী দিরেক্টর ডা. এল মহাবিরনা ফোঙদোকখিবদা, লোলগী দিপার্টমেন্ট অমা ষ্টেটকী লৈরি। পোলিসি প্রোগ্রাম ময়ামসু লৈখ্রে। লোল হায়বসি কলচরগী পার্ট অমনি। হকচাং নারকপা, খোঙ চিংলকপগুম্বা নৎতবনা লোল শিথরকই হায়বদা ঐখোয় কয়া খল্লুদে। মতমগী মতুংইন্না অহোংবা কয়া লাকই। ঐখোয়গী লোল অসি মুৎখিদৌরে হায়না মীপাইবসু য়াওই। মণিপুরদা লোল ৩০ মুক লৈরি। মণিপুর লেংগ্বেজ অসি কৈদৌনুংদা ইন্দেঞ্জর ওইখিদে। ওইবসু ওইরোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সহিত্য থৌপাং লূপ অমসুং কবুই ধর্ম্ম সভা অনীনা খুৎশম্নরগা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কোকাদান ভিলেজদা ঙসি ইন্টরনেসনল মার্দর দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা কোকাদান ভিলেজগী খুল্লাকপা দিনামসাচুং কবুইনা হায়খি, হৌরক্লিবা নহাশিংনা ইপা-ইপু লোনদি খঙদ্রে। মীগী মরোল ঙাঙবদুনা অহৈবা ওইরে। লোন হায়বসিদি লোইনমক খঙগদবনি। মীরোন্না ঐখোয়গী ইশাগী শক্তাকচবা য়ারোই। মরম অসিনা খুল-খুলগী অহলশিংনা হৌরক্লিবশিংবু তাকপিগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা লেঙ্গোইজ এক্তিভিষ্ট লৈহাওথাবম শরতচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। মালেমগী ইমালোন নুমিৎ থৌরম অদুগা মরী লৈননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অইবশিংনা মশা-মশাগী শৈরেং, ৱারেংনচিংবা পাথোকখি। লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরী লোনগী ফিভম হায়বা অসিদা শরতচান্দ থিয়াম অমসুং কবুই লোনগী ওইরিবা ফিভম হায়বসিদা দি লুংপুইজৈ কবুইনা ৱা ঙাঙখি।

অমরোমদা, মালেম পুম্বদা "মালেমগী ইমালোনগী নুমিৎ" থৌরম পাঙথোক্লবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদসু থৌরম অসি পাঙথোক্লখি।

থৌবাল কোলেজগী ইংলিস অমসুং মণিপুরী দিপার্টমেন্টনা পুন্না শীল্লগা কোলেজ অসিগী ষ্টাফ কনফরেন্স হোলদা থৌরম অদু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ও চাওবনা থৌরম মপু অমসুং কোলেজগী ওজাশিং, ডা. এম বিনারানি, ডা. এল দেবেন্দ্র অমদি এম দি নহিদুর রহমননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কোলেজ অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা ইমারোলগী নুমিৎকা মরী লৈননা কোলেজ অসিগী ফিলোসোফি দিপার্টমেন্টকী হেদ ওজা জোসনানা নুংগী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। ইংলিস দিপার্টমেন্টকী ওজা দব্লিয়ু মেমানা "ইমারোলগী মরু ওইবা" হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখি। মণিপুরী লোননা তপ্না তপ্না খুদোংথিবা থাক্তা কুমথরক্লিবা অসিগী মতাংদসু ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগা পুন্না খন্ন-নৈনখি।

তুংদা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা "খোরিরোলদা অতোপ্পা লোলদগী ইমারোলদা হন্দোকপগী মরু ওইবা" অমসুং "সিটিজন্স এমেন্দমেন্ট বিল (সী এম বি)" হায়বা হীরম অনী অসিদা মহৈরোয়শিংগী ওইবা ৱারেং ইবা চাংদম্নবা অমসু পাঙথোকখি। মদুদা মহৈরোয় ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি।

## থিনুঙ্গৈদা বর্দ সেঙ্কচ্যুরি শাবগী খোঙথাং হন্দোকপীয়ু : জে এ সী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১(ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্না ঙামীশিংগী খল্লগা থিনুঙ্গৈদা বর্দ সেঙ্কচ্যুরি শাবগী খোঙথাং হন্দোকপীয়ু, অতোপ্পা মফমদা শাবীয়ু হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দি বর্দ সেঙ্কচ্যুরি এট থিনুঙ্গৈগী ভাইস প্রসিদেন্ট তোংব্রম ননাওনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ননাওনা হায়খি, থিনুঙ্গৈদা লৈবা মী অয়াম্বা ঙামীশিংনি। চাদা ৯০ দি ঙামীনি। লোক্তাক মনুংদগী ফারিবা ঙা য়োল্লগা ইমুং-মনুং পুরিবা, ইচা-ইশু শেন্নিবনি। অতোপ্পা শূফম-নোম্ফম লৈতে। বর্দ সেঙ্কচ্যুরি শাজিনখ্রবদি তুংগী পূন্সিদা অকায়বা লাক্কনি। অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোকপীয়ু। থিনুঙ্গৈদা বর্দ সেঙ্কচ্যুরি থম্বা য়ারোই হায়বসিদা কনাগুম্বনা লান্না উবা লৈ। উচেক মাঙহনখ্রসি হায়বা নত্তে। ঐখোয়সু উচেক কন্দুনা লাক্লিবনি। উচেক্কা শাগোন্নদুনা লৈরিবা ঐখোয়না উচেক ঙাক্তুবদি উচেক্কা শাগোন্নদবা মীনা উচেক ঙাকপা ঙম্লোই। থিনুঙ্গৈ মীয়াম্না মফম অসিদা বর্দ সেঙ্কচ্যুরি শাবা য়াই হায়না ফোঙদোকই হায়রিবা অসি তশেংনা অরানবনি। মীওই খরনা লৌনম তৌবনি। লোক্তাক লৈত্রবদি ঐখোয়গী পূন্সি মাঙগনি হায়নসু মখা তাখি।

জে এ সীগী সেক্রেটরি এন রূপচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনাইটেদ কম্মিটি থিনুঙ্গৈ হায়বা কম্মিটি অমা বর্দ সেঙ্কচ্যুরি দিক্লেয়র তৌরমদায় মতমদা শেম্বনি। মতৌ করম্না শেম্বনো হায়বদুদি খঙদে। মফম অসিদা বর্দ সেঙ্কচ্যুরি শাবদা পূম্নমক্না শৌগৎলি হায়রিবসি অরানবা ৱাফমনি। সেঙ্কচ্যুরি শাবগী মতাংদা খন্নখিবা অমত্তা লৈতে। শাবা য়ারোই হায়না রেল্লি অমদি ৱাকৎ মীফমনচিংবা পাঙথোকপা লৈখ্রে। ঙামীশিং থোরকখিবা অদুনা খূদম চাংদমনি। ঙামীশিংবু নুংশিবীয়ু। মরী লৈনবশিংনা ঐখোয়গী খোঙজং শৌগৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ভোটর রেজিষ্ট্রেসন কেম্প পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১(ঐচএনএস): হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ভোটর খুদিংমক শরুক য়াহন্নবগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দি ঈ ও) তমেংলোংনা শীন্দুনা ফেব্রুৱারি ২৩ অমসুং ২৪ দা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পোলিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা স্পেসল ভোটর রেজিষ্ট্রেসন কেম্প পাঙথোক্কদৌরি।

তামৈ, তমেংলোং অমসুং নুঙবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোলিং ষ্টেসন পুম্নমক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্প অসিদা রেজিষ্টর তৌখ্রবা ভোটরশিংগী মমিং-মথা শোয়বনচিংবা পুম্নমক চুমথোকপা য়াগনি। রেকগনাইজ তৌরবা পোলিটিকেল পার্টিপুম্নমক্না বুথ লেভেল এজেন্ট অমমম কেম্প অসিদা শরুক য়াহন্দুনা বুথ লেভেল ওফিসরশিংগী মতেং পাংহনগদবনি হায়রি। ভোটর লিষ্টতা মিং য়াওদ্রিবা ইলিজিবল ভোটর খুদিংমক্না ইলেক্টোরেল রোলদা মিং য়াওহন্নবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অসি লৌবিয়ু হায়না দি ঈ ও তমেংলোংনা ফোঙদোরক্লি।

## দাইনাদা সোসল এক্তিভিষ্ট এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১(ঐচএনএস): আর বি এম ন্যুজ ইন্দিয়াগী সোসল এক্তিভিষ্ট এৱার্দ ২০১৯ য়েংথোকপদা মণিপুরদগী হৌখিবী হৌজিক-হৌজিক দিল্লিদা লৈরিবী সোসল এক্তিভিষ্ট এন্দ ইন্টরনেসনল মেদেল ময়াংলাংবম দাইনাদা সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি এৱার্দ ২০১৯ পীরক্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

এৱার্দ অদু ঙসি নুংথিল ন্যু দিল্লিগী কন্সটিট্যুসন ক্লবতা পাঙথোকপা চীংলেন্নবা থৌরম অমদা য়াম্না লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অদু এক্স লিদর ওফ হাউস কাওন্সিলর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লি জয়েন্দর দবাসনা খুৎশিন্নখি।

ময়াংলাংবম দাইনানা কথোকপগা লোয়ননা লৈত-লায়র কনা লৈজদ্রবা অমদি উপাই লৈত্রবা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম অমসুং মরু ওইনা মণিপুরীগীদমক নেসনল কেপিটেল দিল্লিদা তৌজখিবা ভোল্যুন্টরি সার্ভিস ময়ামশিংবুসু শীংথানবিদুনা পীরকপা এৱার্দনি। দাইনা মমাঙদসু অসিগুম্বা মখলগী এৱার্দ কয়া তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াদগী ফংখ্রে।

## জষ্টিস মুরালিদরন হায় কোর্ট ওফ...

*লামায় ১গী মখা...* খুৎয়েকশিং পীখি। রেক্কম্মেন্দেসন অসি মমাঙ থাগী ১৫ দা কোল্লেজিয়ম অসিনা তৌখিবনি।

কোল্লেজিয়ম অসিগী মেমোরেন্দম ওফ প্রোসিদ্যুরসগা মরী লৈনবা পাউখুমদা জষ্টিস এম দি মুরালিদরননা মহাকপু মদ্রাজ হায় কোর্টতা তঙাই ফদ্দনা মতম খরগী ওইনা লৈহনবিনবা হায়রকখি। নত্রগা কর্নাটকা, অন্ধ্র প্রদেশ, কেরলা নৎত্রগা ওরিষা হায় কোর্টনচিংবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর নত্তবা হায় কোর্ট অমদা ট্রান্সফর তৌবিনবা হায়রকখি। অদুমকপু মহাক্কী ৱাফমশিং অসি কোল্লেজিয়ম অসিনা য়াখিদবগা লোয়ননা থাসিগী ১৯ দা মহাকপু অমুক হন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ট্রান্সফর তৌনবা রেক্কম্মেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

## টেক্সবুক ফংহন্নবা য়েংশিনবিয়ু : ইমো

*লামায় ১গী মখা...* এম এল এ, আর কে ইমোনা হায়খি, টেক্সবুক ফংদবগী খুদোংচাদবা লাক্লিবা অসি অথুবদা য়েংশিন্দুনা ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু। মহৈরোয়শিংগী সেসন হৌনখ্রবা অসিদা টেক্সবুক ফংহনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ফোটো এগজিবিসন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১(ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাংদা লৈবা ফিশ মার্কেট কমপ্লেক্সতা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চৎথগদবা ফোটো এগজিবিসন কম মলটি মিদিয়া কেম্পেন হৌদোকখ্রে।

ষ্টেট লৈঙাক্না পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং খঙহন্নবগী পান্দমদা দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসনস (দি আই পি আর) না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দিরেক্টোরেট অসিগী দেপ্যুটি দিরেক্টর সাপম দেবেন, দি আই পি আরগী দিজাইনর এন ওকেন, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি ওফিসর (ফিল্ড) লাইশ্রম রোশন অমদি দি আই পি আরগী হেদ ক্লর্ক কে ঐচ পুন্সিনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট সাপম দেবেন্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাংশিং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু এগজিবিসন পাঙথোক্কনি। প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা লাইশ্রম রোসন্না হায়খি, দি আই পি আরনা লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী মরক্তা পাউ ফাওনহনবগী থৌদাং লৌরি। ফোটো এগজিবিসন, মল্টিমিদিয়া কেম্পেন, হোর্দিং অমসুং তোঙান তোঙানবা চেফোংশিংগী খুথাংদা লৈঙাক্কী থৌদাং পুম্নমক মীয়ামদা খংহন্নবা হোৎনরি।

## মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং হেলিকোপ্টর...

*লামায় ১গী মখা...* চঙলি। হৌজিক ত্রাইএল রনদা হেলিকোপ্টর সর্ভিস মফম খরদা হৌদোক্লে। ফুল ফ্লেজেদ হেলিকোপ্টর সর্ভিস লৈহন্নবা ঈ-টেন্দরিং প্রোসেস তৌরে। হৌজিক ফাইনেল ষ্টেজদা লৈরি। ষ্টেট অসিগী য়াম্না মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিং হেলিকোপ্টর সর্ভিস লৈহন্নবা হোৎনগনি।

খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা ষ্টেট অসিগী শোত্থনা লৈরিবা মফম কয়াদা শান্ন-খোৎনবগী মচাক কয়া শেমগৎনবা থবক পায়খৎলি। আউটদোর জিমসু মফম কয়াদা শেমগৎনবা হোৎনরি। লৈঙাক্না শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি। লৈঙাক্কী ওইবা পায়খৎনিংবা, পায়খৎকদবা অমদি পায়খৎলিবা থবক থৌরাং কয়া গভর্ণর এদ্রেসতা পন্নবা হোৎনৈ। অদুবু লোইনা পনবদি য়াম্না শাংগদবা মরম্না খরখক্তমক পনবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

গভর্ণর এদ্রেস খন্নরকপদা এমেন্দমেন্ট মোসন পুখৎলদুনা এম এল এ ডা. চালটোলিয়ন অমোনা হায়খি, হিলস এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা শোত্থরিবা মফম কয়াসু শেমগৎহন্নীংই। জিরিটিপাইমুখ লম্বী অসি ফীভম য়াম্না শোক্লে। থোং অয়াম্বা য়াদ্রে। ফেরজোলনচিংবা য়াম্না মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিং অসিগী শেমগৎ-শাগৎপদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। হেলিকোপ্টর সর্ভিসনচিংবা লৈহনবগী তঙাইফদবসু লৈ হায়নসু মখা তাখি।

তুংদা হাউসনা মোসন ওফ থেঙ্কস ওন গভর্ণর এদ্রেস এদোপ্ট তৌখি।

## য়েলহৌমীগী ফংফম থোকপশিং...

*লামায় ১গী মখা...* থোঙ হাংখিবগা লোয়ননা মখল কয়াগী অওনবা লাক্কদৌরিবা অসিদা মণিপুরগী শরুক ১০০ থোকপগী ১০ য়ৌনা চাওদবা কম্যুনিটি খুদিংমক্না খুন্দাবা মীতৈ/মৈতৈনা খরা হেন্না মেজোরিটি ওইনা তাবা তম্পাক্কী লমদা প্রোটেক্সন লৈতবা অসিনা মরম ওইরগা মীপাইবা লৈরিবা অসিদা চৈঙাক পীয়ু হায়বা খোঙজং অদু লাকখিবনি। লৈঙাকসু ইস্যু অসি মরম চাই হায়বা খঙই। অদুবু ইস্যু অসি লৈঙাক্কী ওইবা রেক্কমেন্দেসন করম্বা মতমদা লৌগদগে অমদি সেন্টরদা থাগদগে হায়বদুদি লৈঙাক্না পীদবনা মরম ওইরগা এস টি দি সী এমগী অহল-লমনশিং অমদি মেম্বরশিংনা পেন্নদ্রে। মার্চ ৩ দা খোঙচৎ চৎনবা শেম শাবনি।

মীতৈ/মৈতৈ অসি অৱাংবা থাক্কী ফুরুপনি। হন্থবা থাক্তা হাপফম থোক্তে হায়না কনাগুম্বশিংনা মোত পীবসু য়াওই। এস টি দি সী এমনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহল্লু হায়না দিমান্দ তৌরিবনি। য়েলহৌ ফুরুপ হায়বসি ইনিদয়াগী ওইনদি এস টি রিকগ্নাইজ ওইনা খঙনগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা তাখিবা রাই অমদা পল্লি।

লমদম অসিদা লৈরিবা সী এস ও, লুপশিং অমদি লন্নাই মীওইশিংদা এস টি দি সী এমনা হায়নিংবদি লাক্কদৌরিবা মার্চ ৩ দা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অসিনা মীতৈ/মৈতৈগী ওইবা লাইবক লেপকদৌরিবনি। মীপূম খুদিংনা রেল্লি অসিদা শরুক য়াবীয়ু। অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু। রেল্লি অসি অয়ূক পুং ১০ দগী থাও গ্রাউন্দদগী হৌরগা মিনুথোংলোমদা লাক্লগা চেক্কোন লম্বীদা ফাওরক্তুনা মনুং কাংজেবুংদা লমথুংগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## এস এস এ, আর এম এস এগী ওজাশিং তোলোপ পিবিদবদগী কম্মীসন্দা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১ (ঐচএন এস): এস এস এ অমসুং আর এম এস এগী মখাদা থবক তৌরিবা ওজাশিং চাংনাইনা তোলোপ পিবিদবগী মতাংদা ব্রিদজিং ফোর সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (বি এস দি) না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মীসন্দা ৱাকৎখ্রে।

বি এস দিগী লিদ কোওর্দিনেটর ক্ষেত্রিময়ুম ওনিলনা খুৎয়েক পিবগী মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মীসনগী চ্যেরপর্সন্দা পিশিনখিবা চেরোল অমদা পন্দুনা লৈরিবা ওজাশিংগী তোলোপ পিথোকহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফাইনান্স) এদ্যুকেসন এসকী দিরেক্টরদা য়াথং পিবিয়ু হায়না ৱাকৎখি।

চেরোল অসিনা হায়, এদ্যুকেসন এস অমসুং ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্তবদগী হৌখিবা থা কয়ামরুম ওজা ২,৮৭৬ না তোলোপ ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লি। থা ১০ তোলোপ ফংলক্ত্রবা ওজাশিংনা ইমুং পুনবা হোৎনবদা মীঙোন্দগী শেন্দোই পিরগা শেল পুশিল্লে। ওজা অয়াম্বা চৎথোক চৎশিন তৌনবগী গাড়ী অতোংমল লৈতবনা চাং নাইনা স্কুল চৎপা ঙমদ্রে। হিরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবিদুনা ওজাশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

## চহী ৮ গী ফাদোক পীখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী রুমেন পুলিস ষ্টেসন্না লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর-৭(১) ২০১৬ অন্দর সেক্সন-৩৭৬/৪৯৭ আই পি সীগী চার্জশিটতা য়ুম্ফম ওইদুনা চৎথরকখিবা সেসন্স ট্রাইয়েল কেস নম্বর-৭৪ ওফ ২০১৬ কী সেন্টেন্স হিয়রিং ঙসি সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকি কোর্টতা পাঙথোক্লগা মহাক্কী ফাদোক্কী মতম অসি ওপন কোর্টতা লাওথোকখিবনি।

মহাক মোইরাং থনা লৈকায়দগী হৌজিক্না উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদা লৈরম্বা লৈখিদ্রবা পি ঐচ অঙৌ মৈতৈগী মচানুপানি।

ঙসি কোর্টকী সেন্টেন্স হিয়রিংদা মহাকপু আই পি সী সেক্সন-৩৭৬ কী মখাদা চহী ৮ ফাদোক লৈবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ২০ ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখি। করিগুম্বা ফাইন ওইনা পীগদবা শেনফম অসি পীবা ঙমদ্রগনা থা ৩ ফাদোক্কী মতম শাংথনা লৈগদবনি হায়খি।

অদুগা আই পি সী সেক্সন ৪৯৭ গী মখাদনা চহী ৯ ফাদোক লৈবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫ ফাইন ওইনা থিগদবনি। ফাইনগী শেনফম অসি পীবা ঙমদ্রগনা ফাদোক্কী মতম থা ১ গা শাংদোক্কনি হায়খি।

অদুম ওইনমক সেক্সন অসিগী মখাদা লৈগদবা ফাদোক্কী মতমশিং অসি অমুক্তদা পুন্না লৈবা হৌগদবনি হায়খি। অদুগা ফাইনগী অপুনবা শেনফম লুপা লিশিং ২৫ অসি মহাক্না কোর্টতা দিপোজিৎ তৌরক্লবা মতুংদা থৌদোকসিগী ভিক্তিম ওইরিবি লৈশাবী অসিদা পীগদবনি হায়রি। লোয়ননা ভিক্তিমস কম্পেন্সেশন স্কিমগী মখাদা লৈশাবী অসিদা লুপা লাখ ৫ গী শেনফম পীনবসু কোর্টকী ওর্দর অসিনা রিকম্মেন্দ তৌখি। পনবা য়াবদি পি ঐচ রাজেশ, এলাইজ প্রেম এলাইজ রোবোতনা জেলদা লৈরকখিবা নুমিৎশিংদি ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথৎকনি হায়রি।

## একুজ ১ কষ্টদিদা টোর্চর তৌবদা...

*লামায় ১গী মখা...* এস গুনজিৎ মঙাং এলিয়স ঙোঙোবু কোর্ট অসিনা পুথোরক্তুনা এস দি পি ও, ইম্ফাল অসিনা কোর্টতা সবমিট তৌখিবা রিমান্দ প্রেয়রদা হায়বগী মতুংইন্না মহাক থা অসিগী ১৬ কী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী ওফিসর-ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর পি অচৌবনা লুচিংবা টিম অমনা নোর্থ এ ও সীগী তম্ফা হোটেল মনাক্তগী ফাবনি। কম্মান্দো টিম অসিনা মহাকপু ফাখিবদু এদিসনেল এস পি (ওপরেসন্স) টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বীগী সুপরভিজন মখাদা চৎখিবনি হায়রি।

মহাক ফাবগা বোদি সর্ছ তৌবদা মোবাইল হেন্দসেট অনী রিকোভর তৌখি। মফমদুদা মহাকপু ভেরিফিকেসন তৌবদা মহাক কে সী পি (পি দব্লিয়ু জি)গী এক্তিভ মেম্বরনি হায়দোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক্না নেপালগী মফম অমদা লৈ হায়বা লালহৌলূপ অসিগী ৱাবগাই তেরাপিশক্তগী সেল্ফ ষ্টাইল ফাইনান্স সেক্রেটরি থোই লুৱাং এলিয়স বাজি মচাগী কম্মান্দ মখাদা থবক তৌদুনা লৈবনি হায়বসু খঙখি হায়রি।

লোয়ননা মখোয়গী ওর্গনাইজেসনগীদমক ইম্ফালদা লৈবা স্কুলশিংদা মহৈরোয় ২০/২০ এদমিসন তৌহন্নবা কেথলিক স্কুলগী প্রিন্সিপালদা থ্রিটন তৌখি হায়রি। মসিদা প্রিন্সিপালনা য়ারক্তবদগী মহাক্না পার্টি অসিগী মীওই অনীদা আই ঈ দি অসি প্লান্ট তৌহনবনি হায়রি। থৌদোকসিগা মরী লৈননা মীওই অহুমসু ফারগা মখোয়গী মথক্তা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনসু লৌখৎলে হায়রকখি।

অদুগা ফারবা মীওই অসি অহানবদা থা অসিগী ১৭ তা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোক্লগা ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌরকখিবনি। অদুবু মঙোন্দগী রিকোভর তৌখিবা মোবাইল হেন্দ সেট অনীগী সী দি আর অমসুং এস দি আরগী হৌজিক দিটেল রিপোর্টশিং লাক্লিবগা লোয়ননা মখা তানা ৱাহং-পাউহংগদবা লৈরিবনা ঙসিদগীনা থা অসিগী ২৫ ফাওবদা মখা তানা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবীনবা প্রেয়র তৌরকখি।

মহাক্কী মথক্তা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বরনা ৩৮(২)২০১৯ অন্দর সেক্সন ২০ য়ু এ(পি) এক্টনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী তৌরক্লিবা প্রেয়র অসিগী মতুংইন্না মহাকপু থা অসিগী ২৫ ফাওবা মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা মহাক্কী নিংজোলদা ইঞ্জ্যুরি মার্ক লৈনা শোকপগা লোয়ননা য়েৎ থংবা খূৎতসু মাইনর ফ্রেকচর লৈবা উবদগী একুজ মশাদা হংবদা মহাকপু স্পেসল ইন্টরেগেসন সেলগী কষ্টদিদা ফূই অমসুং টোর্চর তৌই হায়না ফোঙদোকখি।

একুজ মশাগী পাউখুমদগী কোর্টনা একুজ অমবু অসুম্মাইনা টোর্চর তৌবসি মরী লৈনরিবা পুলিস ষ্টেসন অদুগী লোনা য়াদবা থবকনি হায়খি।

লোয়ননা একুজ অসিনা কোর্টতা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা এস পি/ইম্ফাল ৱেষ্টনা ইনক্বারি তৌগদবনি। করিগুম্বা মসিদা চুম্লন্নবদি চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা এফ আই আর কেসশিং রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎকদবনি। একুজ অসিগী সেফ কষ্টদিগী মতাংদা কেসসিগী আই ওনা লিগেল রেস্পোন্সিবল লৌনবসু খঙহনখি।

লোয়ননা ঙসিগী ওর্দর অসিগী কোপীশিং দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) অমসুং এস পি, ইম্ফাল ৱেষ্টতা পীনবসু কোর্টনা খঙহনখি।

## ৱাংঙু ইথাই-লুপা মরুপ লম্বী মার্চ ৩১ ফাওবদা শেমদুনা মীয়ামদা শিন্নগনি : বিশ্বাজিৎ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২১(ঐচএনএস): ৱাংঙু ইথাইদগী ৱাংঙু লুপা মরুপ ফাওবগী লম্বী অসি চহীসিগী মার্চ ৩১ ফাওবদা শেমদুনা মীয়ামদা শিন্নগনি হায়না আর দি মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎনা ঙসি এসেমব্লি মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাংঙু ইথাই লম্বীগী মতাংদা ঙসি এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা কোলিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং পাউখুম পীরদুনা রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎনা হায়খি, ৱাংঙু ইথাইদগী ৱাংঙু লুপা মরুপ ফাওবগী লম্বী অসি পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা লৈবনি। লম্বী অসিগী মরু ওইবা অদু খঙই।

লমদম অদোমগী মীয়াম্না বন্দনচিংবা চত্থরিবা অদু হন্দোকপিয়ু। চহীসিগী মার্চ ৩১ ফাওবদা লম্বী অসি শেমদুনা মীয়ামদা শিন্নগে। লম্বী অসি আর দি এঞ্জিনিয়রশিং য়াওনা লোকেল এম এল এগা পুন্না য়েংশিনবা চৎমিন্নরবসু য়াই। মসিগীদমক এঞ্জিনিয়রশিংদা চৎনবা ৱাফম থমগে। ৱাংঙু লম্বীগীদমক ইষ্টিমেন্ট শাবা লোইরে। চীফ মিনিষ্টর য়াওনা লৈঙাক্তগী অয়াবা লৌরগা শেম্বা হৌনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোলিং এটেন্সন মোসন অদু পুখৎলদুনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হায়খি, ৱাংঙু ইথাইদগী ৱাংঙু লুপা মরুপ তাবা লম্বী অসি তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়া ফাওনবা য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমনি। লম্বী অসি শেম্বীদবদগী লমদম অদোমগী মীয়াম্না লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে। হৌজিক ক্লাস টেন অমসুং ট্যুয়েল্বগী এগজামসু লৈবা মরম্না লম্বী অসি থিংবা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরগনি। মায়কৈ অসোমদা লৈবা য়াম্না মরু ওইবা থোং অমা তেকখিবদগী লম্বী অসিদা গাড়ি চৎপগী চাং অসি য়াম্না হেনগৎলকখিবনি। লম্বী অসিগী পোটহোলশিং মেল্লগা শেন্নবদি মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা খরমখৈদি ফগদবনি। অদুবু কন্ট্রেক্তরনা পোটহোল মেনবগী মহুত্তা কোইলাস লৈরিবা লম্বী য়াওনা নুঙথাজিনখিবদগী চৎথোক-চৎথোকশিন্দা খুদোংচাদবা ওইরে। গাড়ি চৎপা মতমদা উফুল য়াম্না হৌবদগী লম্বীগী নাক য়েৎতা তারিবা য়ুমশিংদা অৱাবা ফিভম কয়া মায়োক্লরে।

লমদম অদোমগী মীয়াম্না মমাঙদসু লম্বী অসি থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লম্বা লৈখ্রবনি। মতমদদুসু ৱারী শান্নদুনা লম্বী অসি শেম্বগী মতাংদা খন্নখিবা লৈখি। অদুবু হৌজিক লম্বী শেমদনা লৈবা অসিনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। অথুবদা শেমজিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্ট...

*লামায় ১গী মখা...* দিমান্দ নম্বর ১৬- কো-ওপরেসনগী লুপা ৩,৯৩,৫১,০০০; দিমান্দ নম্বর ১৭- এগ্রিকলচরগী লুপা ৫৪,৪৪,৭১,০০০; দিমান্দ নম্বর ১৮- এনিমেল হজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি ইনক্লুদিং দেরি ফার্মিংগী লুপা ১৫,৩২,৫৪,০০০; দিমান্দ নম্বর ১৯ - ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্টকী লুপা ১৪,৩২,৬৭,০০০; দিমান্দ নম্বর ২০- কম্যুনিটি এন্দ রুরেল দিভলপমেন্টকী লুপা ৩২,০৭,৮৬,০০০; দিমান্দ নম্বর ২১- কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজকী লুপা ৪২,২৪,৯২,০০০; দিমান্দ নম্বর ২২- পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনীয়ারিংগী লুপা ১৪৯,৯০,৩৮,০০০; দিমান্দ নম্বর ২৩- পাৱরগী লুপা ৭৯,৯০,৫১,০০০; দিমান্দ নম্বর ২৪- ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি-করপসন দিপার্টমেন্টকী লুপা ৭৪,৪৪,০০০; দিমান্দ নম্বর ২৫- য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী লুপা ৯,৩৬,৭২,০০০; দিমান্দ নম্বর ২৭- ইলেক্সনগী লুপা ৯,৭৬,২৭,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩২- জেলসগী লুপা ২,২৫,২৮,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩৩- হোম গার্দসকী লুপা ৮,৮৪,২২,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩৪- রিহেবিলিটেসনগী লুপা ২,১১,০০,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩৬- মাইনর ইরিগেসনগী লুপা ৩,৭৬,৩৩,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩৭- ফিশরিজগী লুপা ৬,৪৮,৯২,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩৮- পঞ্চায়টকী লুপা ৯,৫২,৬৯,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩৯- সেরিকলচরগী লুপা ৫৭,২৩,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪০- ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী লুপা ২৩৯,২১,৩৩,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪১- আর্টস এন্দ কলচরগী লুপা ১,৮০,৩৬,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৩- হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী লুপা ৫,০৪,৫৮,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৪- সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী লুপা ৮৭,৩৫,৮০,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৫- টুরিজমগী লুপা ২১,৭৮,১৮,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৬- সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লুপা ১,০৭,০০,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৭- এম ও বি সী এন্দ এস সী দিপার্টমেন্টকী লুপা ১৭২,৭৭,৬৮,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৮- রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী লুপা ১১২,৯৭,৯০,০০০; দিমান্দ নম্বর ৭৯- ইকনমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্সকী লুপা ৪৬,৪১,০০০নি।

দিমান্দ ফোর এক্সেস গ্রান্ট ২০১৪-১৫গী পাস তৌখিবা শেনফমশিংদি দিমান্দ নম্বর ২২- পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনীয়ারিংগী লুপা ১,৫৫,০০০; দিমান্দ ফোর এক্সেস গ্রান্টস ২০১৫-১৬গী পাস তৌখিবশিংদি দিমান্দ নম্বর ৫- ফাইনান্সকী লুপা ৮৯,৩৩,০০০; দিমান্দ নম্বর ১২- মাহুদকী লুপা ৩,৫৩,৯৯,০০০; দিমান্দ নম্বর ১৪- টি এ, হিলস এন্দ এস সীগী লুপা ২,১৬,১৮,০০০; দিমান্দ নম্বর ১৮- এনিমেল হজবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনরি ইনক্লুদিং দেরি ফার্মিংগী লুপা ২,৯৯,১৫,০০০; দিমান্দ নম্বর ২১- কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী লুপা ১১,৭৫,৫৫,০০০; দিমান্দ নম্বর ৩৮- পঞ্চায়টকী লুপা ৭৯,৫৫,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৩- হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী লুপা ৩,৪২,৭২,০০০; দিমান্দ নম্বর ৪৮- রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী লুপা ২৫,৫০,১১,০০০ নি।

অমরোমদা, লাক্কদৌরিবা চহীদা ষ্টেট অসিদা জি এস টি রেভিন্যু লুপা ক্রোর ৭৫৪.৭৮ লাক্কনি পারি হায়না ফাইনান্সকী থৌসু পুরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ঙসি এসেমব্লি মীফমদা ৱাহং-পাউখুমগী মতমদা ফোঙদোকখ্রে।

এসেমব্লি মীফমদা এম এল এ সুর্যকুমার ওক্রমনা জি এস টিগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, জি এস টি হৌদোক্লবা মতুংদা টেক্স রেভিন্যু হেনগৎলক্লে। কুমজা ২০১৭কী জুলাইদগী কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ফাওবদা জি এস টি রেভিন্যু কলেক্সন লুপা ক্রোর ৮৫৭.৮৯ কলেক্ট তৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৭কী ওগষ্টতা লুপা ক্রোর ২০.০৭, সেপ্টেম্বরদা লুপা ক্রোর ২৫.১০, ওক্টোবরদা লুপা ক্রোর ৩১.৭৩, নবেম্বরদা লুপা ক্রোর ৩১.১১, দিসেম্বরদা লুপা ক্রোর ৩৭.২৮, কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারীদা লুপা ক্রোর ৩৬.৭৩, ফেব্রুৱারীদা লুপা ক্রোর ৬৩.৭৬, মার্চতা লুপা ক্রোর ৫৫.৬৭, এপ্রিলদা লুপা ক্রোর ৫৫.১৩, মেদা লুপা ক্রোর ৪১.৪৫, জুনদা লুপা ক্রোর ৬৯.৫৬, জুলাইদা লুপা ক্রোর ৬৪.৩৫, ওগষ্টতা লুপা ক্রোর ৪৭.৪৬, সেপ্টেম্বরদা লুপা ক্রোর ৪৮.৩৬, ওক্টোবরদা লুপা ক্রোর ৬০.৪১, নবেম্বরদা লুপা ক্রোর ৪৯.৫৬, দিসেম্বরদা লুপা ক্রোর ৬৫.৭৭ অমসুং কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারীদা লুপা ৫৪.৩৯ নি। মথং চহীদা জি এস টি রেভিন্যু লুপা ক্রোর ৭৫৪.৭৮ লাক্কনি হায়না পারি হায়নসু মখা তাখি।

থৌবাল তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লকপগী মতাংদা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা এম এল এ সুর্যকুমার ওক্রমনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, তুরেলদা ইল্লিগেল মাইনিংগী থবক চৎথবা থিংনবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেপ কয়া লৌখৎলি। ক্বারি সাইটতা পেট্রোলিং চৎপা, লান্না থবক পায়খৎপশিং ফাবা, মণিপুর ফোরেষ্ট রুল অমদি ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট এক্টকী মখাদা পেনাল্টি ইম্পোজ তৌবা য়াবা কয়া লৈ। হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিল্লি।

থৌবাল তুরেলদা সেন্দ মাইনিং অমদি ষ্টোন ক্বারি তৌরিবা মফম অসি কেক্রু, হৈত্রোইপোকপী, ইঙৌরোক, হৈরোক চীংজিন, চন্দ্রখোং, ইঙাংলোক, খোইরোম, চঙমদবী, লৈরোংথেল, মোইরাংপুরেল, ইথম অমসুং তুমুখোংনচিংবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোল্লিং এটেন্সন মোসন অদু পুখৎলদুনা এম এল এ সুর্যকুমার ওক্রমনা হায়খি, থৌবাল তুরেল পরিংদা মফম কয়াদা লৈঙোই পেক্লগা চামশিনবদগী ঈশিং য়াম্না মোৎশিল্লে। মেছিন ফাওবা শীজিন্নদুনা লৈঙোই কোৎলগা চামশিল্লিবা থৌওং কয়া অসি য়েংশিনবা চঙই। থৌবাল তুরেলদা লৈঙোই চামশিনবনা মরম ওইরগা লৈনাঙ ওইনা চেল্লে। তোঙান-তোঙানবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি কয়া ফাওরগা চেল্লিবা থৌবাল তুরেলগী ঈশিং অসি শীজিন্নবা য়াবা ফীভমদা লৈত্রে। করিগুম্বা মতমদা লৈনাঙ ওইনা চেনবা অমদি করিগুম্বা মতমদনা লৈঙাঙ মচু ওইনা চেনবা থেংনদুনা লৈরি। লমদম অসোমগী মীয়াম্না ঈশিং শীজিন্নবা য়াদবা ফীভম অসিদা লাকপদগী অৱাবা ফীভম মায়োক্লরি হায়নসু ফোঙদোকখি।